ৰারীমচা

# অৱাববু লোৎলিবা ফজবা

- বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা

নঙবু থম্মোয় শেংনা নীংজবগী মহৈনা ঙসিদি ঐহাক ননাক্তা লেপ্পরেদনা।

মতমদুদা নঙগী অয়েকপা শক্তমদুদা ঐনা কয়াদা ঙাওজখিবা। অয়ূক্কী নুমিৎনা তরং তরং হুন্দোরকপদা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইগী ঙাঙ্গ্রান্নবা মশেল্লক্তা করিগুম্বদনা থাবলনা চামথোল্লবা অহীংদা ফজবা পুন্নমক্কী ফিজোল হোংলদুনা নঙনা চীং লেম্না লেপ্পমগদবদু ৱাখলগী মীৎসিনা উদুনতা লৈখি। ঐবু ননাক্তা তোয়না কৌরক্লবোইতা খনখি। তশেংনমক্কীসু ননাক্তা ঐবু কৌখিদে হায়বা ঙল্লোই নহাক।

নঙগী ফজবনা শুমহৎলবা ঐহাক চান্ননা ঙাওখিবনি। শুমহৎয়াই পুরবা নঙগী শক্তমবু য়েংনা য়েংনা শৈরেং কয়া ইখি ঐনা। মনীং তল্লবা ঐগী ৱাখলনা লূপতুনা শান্নখি নঙগী স্মৃতিগী পাক্লবা মহাসাগর অদুদা। থম্মোয়দগী থোরকপা ময়েকশিংনা সুরগী ইপোল্লক্তা তিনখিদুনা শকখি ঈশৈ কয়া।

ঙসিদি বুদ্ধ পুর্ণিমানি।

নুমিৎনা ময়ুম চঙলমদাইগী ঙাঙ্গ্রান্নবা মশল্লক্তা নোংপোকথংবা অতিয়াদা তাম্না থোরক্লিবা থাজগী ময়েক শেংফাৎত্রিবা মঙালনা মোঙ হাদনা তপ্পা তপ্পা চাইথোরক্লবদা লোৎশিনবা ঙমদ্রবা নঙগী ফজবনা হেন্না মকা ফোংলকপদু উরগা ইথন্তা হৎজখি--‘নঙগী ফজবনা মালেম পূম্ববু জয় তৌখিবদা করিগী ঙকফম থোকপগে?”

মীরোল কয়ামসু চৎখ্রে নঙগী ফজববু পুদুনা। ঙসিগী মীরোল অসিমসু হোৎনরি নঙগী ফজবগী ঙমখৈ অমা লেপ্পবা। কয়াদা চাউখ্রবা শীংনবা অমনো। মখোয়সু নফমদা শোয়দনা মায়থীরগনি খঙবনরা থাবলগী ইপোম মরকসিদা নঙগী ফজবনা অসুম হেন্না মথোই কারক্লিবসিবো?

অঙৌবা মণি মুক্তাশিংগী মরক্তা হক্তুনা ইরি মূৎনাইদ্রবা অমর কবিতাশিং। মখোয়না লীরি নোংমদোল পক্লা ৱাংলবা সম্রাজ্য অমগী নুমিৎকুম মূৎনাইদ্রবা ৱারী শীংবুন কয়া।

নঙসু খঙলিবা নৎত্রা? ঙসি ঐনা ননাক্তা লেপ্পরিবগী মরম।

> **ৰারীমচা অসি অইবগী ২০১৩দা ফোঙখিবা “ঙমখৈগী ৱাংমদা” কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি**

মপান্থোংগী ফজবগী ঈমায় অসি হাইদোক্তুনা নীংশিংবগী লূরবা ঈরোন্নুংদা কুমথদুনা ঐনা থিনীংই নঙগী অনৌবা ৱারী অমা। মালেমসিনা নীংখায়রকপা মীৎকূপতুদা নহাক্লা লোন্থোক্তবা নূংগী মীতম ওইনা লৈখ্রবসু নঙগী ফজবগী ফিজঙ মরুমদা লোত্তুনা লৈরিবা মকা ফোংদবা তাবিনবা কনাসু লৈত্রবা ৱারী অদুনি ঐনা নফমদগী তানীংলিবসি।

ঐনা লেপখি মোংফমদুগী মনাক্তা।

কয়াদা নুংঙাইনা তূমখুল তাল্লিবনো মহাক্তি। নূংঙৌগী ফৈজূপ শূপ্পদুনা মীৎকপ থোকপসু লৈতনা। নিংথৌরেল অমবু মপূরোইবা ওইনা ফংজবগী চাউথোকচবদু ঙসিসু লৈরিবগুম উরি। মপূরোইবগী পান্থোমদা মোনখাঙনদুনা মোমোন নোক্লিবগী মতৌনি।

ও! নিংথৌরেল অসিদি কপ্পবোইরে? নিংথৌনবু কপ্পব্রনে?

ঐনা তারিবসিবু মহাক্কী থম্মোয়দগী থোরকপা নুংহীক্লরবা খোঞ্জেলদু নৎত্রনে?

মমতাজ! ঐগী থম্মোয়গী মবেম্মা আরজুমান বানু। হৌগৎলো। চৎলসি কদায়দনো অমা। মৈশা ফাওরক্লে। মীৎকূপ অমত্তসু পোৎথাদুনা লৈবা ঙল্লক্তরে। নঙবু তাদবরা অয়াকপা মীচৈগী খোঞ্জেলশিংসে?

নীংশিংলুবদা ইথন্তা ঙসিদি কয়াদা ইকায় নুংশি য়ান্নরবনো? নঙগী মায়থোঙদা লোৎতুনা লৈরিবা নুংশিবগী অকনবা লীচিং অদুনা ঐবু মীৎকূপ অমত্তসু লৈতাফম খঙহনখিদে। হারেমগী লৈমকোলদা লৈশাৎ তল্লিবী শকহেনবীশিংদুগী নাপ্পদা নোংমতসু চীরোল তৌনীংখিদে। থেৎলুগে নীংখিদে নাচোম অমত্তসু মখোয়গী শমজীদা। ভারতবর্ষগী মপূ অমনা লৈখোক্তগী কেল্লবী লৈরাং গুলাব অমবু কয়াগী মতীক খোয়দাখিবা। মসিবু নুংশিবা অমগীদমক নৎত্রনে? কয়াদা কনখ্রবা লীপুননো।

নঙসু খঙঙিদনা ঙকচাউ থেকপা রাজপুতশিংগী ৱারী। মখোয়না ঐহাকপু মতম পুন্নমক্তা লানগী ফিজোলতা শেৎহনখি। লানবু কয়াদা নুংঙাইরবা মশান্না অমগুম লৌখিবা মখোয়না। হেন্না ঙক্লিবদি ফক্লাং মরিনা কোয়শিনবা চাকখূমগী লৈরঙ মনাক্তা লৈহৌবী মখোয়গী নুপীশিং অদুনি। লানফমদগী হল্লকখিদ্রবা মপূরোইবশিংগীদমক মশা মশানা শেমজবা জোহরগী মৈফমদা মথন্তা চোংশিন্দুনা থৱায় থাবা ঙমখি।

অদুগুম্লবা নিঙোল অমগী পীবূকনুংদা চঙদুনা পোকচবা ফংবগীদমক ঐনা কয়াগী মতীক চাউথোকচবা। অদুগা করিগী মখোয়না ঐবু বিদেশীনি হায়দুনা কয়াদা লাপ্না ঈন্থোক্লিবা।

“নঙদি মীতোপনি। হূরানবনি, ঐখোয়বু লূট তৌবা লাকপনি। হনখ্রো নরৈবাক্তা...।”

রাজসিংহাসনদা ফমদুনা ভারতবর্ষগী মপূ ওইরবফাও মখোয়না ঐবু চৎখ্রো হায়না তাল্লিবসে নঙবু তাবা ঙল্লিব্রা?

ঐগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ অসিদা রাজপুতশিংগী ঈ মরীক অমত্তসু য়াওফম থোক্তব্রা? নখোয় থৌনা ফবা কনানা ঐগী ৱাহং অসিগী পাউখুম পীবা ঙম্ব্রা?

ঐনা থম্মোয় শোক্লা হংজখিবা ৱাহংগী পাউখুম কনানসু পীবিখিদে। শূপ্নতগী হাঙলবা মালঙদা খোন্থাং য়ৈরগতা তোকখি।

লোৎশিনবদা ৱারবা ইরাল অমদি ঙসিসু পুদুনা চৎলি। শক্তি পূম্বগী মপূ ওইনীংখিবনা মীৎকূপ অমত্তসু লৈতাদ্রবা ঐগী মীৎতা ইপা-ইচা, ইচীন-ইনাও পূম্নমক য়েক্লবা ওইনা উখি। মখোয়গী মায়োক্তা শৎখিবা থাঙশাং ঈখেঙ তৈদনা থাঙখূমদা খক হঞ্জিনখিদে। কয়াদা তমথীখ্রবনো মীওইবসে।

মখা লমায় ৫দা...

ঊবাচেহ

## অতেনবা শৈরেং খরা

**হিন্দীদা : কুঁৱর নারায়ন**
**মণিপুরীদা : ডা. শিবানন্দ য়ুম্নাম**

(১)
অৱাবা কয়ানা
হেল্লোই মীওইবগী থৌনাদগী কনবা-
মাইথিবা তাবনি
মায়োক্লবা ঙমদ্রগনা।
(২)
শৈরেং ’মগী শিয়োমনুংদা
নাউপুরি শৈরেং কয়া-কয়া
অদুগা
পুন্সি অমনসু
পুন্সি কয়া...।
মচেৎ-মচেৎনা মপুং ফারবসু
ওইরি মপুং ফাদবগী খোমজিনব’মা
পুন্সি চুপ্পদা।

## পুন্সি সন্ধ্যাসিদা

**অয়াম ইবেতোম্বী**

পুন্সিগী অয়ুক্তদি-ঙাইরম্মী হরাউনা
নঙবু উন্নগনি খনবদা- নঙতবু।
নগুণবু শৈথাদুনা ওক্লম্মী ঐনা।
নুংথিলগী মতমদসু ঙাইরম্বনি নঙবু
পুখ্রি মপালগী হাংলবা লম্পাক্তুদা
হৈথা পোৎথা মাংদা থেন্দুনা।
পুন্সিগী সন্ধ্যা মতম অসিদদি
কিরক্লে নহাক লাক্কনি তাবদা
হেন্নদুম কিরক্লে, উনলেনসু পুরক্লদি।
খজিক্তং থেংবদা হকচাংগী কায়াত্তা
ফাউগনি চৈথেংদি, থক থক নিক’মখৈ
পীঙমদে চৈনাদি ’শকউদ আত্মাদদি।
য়েন্নীংথা ময়াম অমা লাক্লসু কান্নররোই
ইকিদা কিজরে ঐদি, ঐগী পুন্সি সন্ধ্যাসিদা।

## কৌরিবোই ঐবু তোইনা লমদমদুদা

**বাচৌ**

শুক্লবা চীংনুংগী হারীগী নাউশুমদা
পেন্নাগী শৈহৌনা তম্বা নাইনা
তম্নাগী খোন্থাংনা তাম্না তাম্না
কৌরিবোই ঐবু তোইনা লমদমদুদা।
কৌব্রুগী নামিবা মালঙগী শাহুমদা
লোক্তাক্কী লাইজনা ঈথক হৌনা
লেল্লে জগোই শাথেক তল্লকপা
কৌরিবোই ঐবু তোইনা লমদমদুদা।
শঙাইগী তথকপা তরুবা মীৎয়েংনা
পাখৎ চাওবা নাশোন পীক্লা
চৎখিনু খাল্লিবোই খূৎলাম তোইনা
কৌরিবোই ঐবু তোইনা লমদমদুদা।

## ৱাশক অসিমদি

**রানিবিনা, কেরলা**

হে থৱান্মীচাক!
নিজখি ঐনা নঙোন্দা ৱাশক অমা
শুপ্নগী ৱাহৈ অহুমতগী ওইবা
অতেনবা ৱাশক অমখক।
ৱাশক্তো নত্তে ঐগী পুন্সিগী
কান্নবা অমদি ওইজবগী
অদুবু থাজবা অসিগীদি
নঙ ঐগী মরক্তা লৈরিবা
মরু ওইখিবনি ৱাশক্তো।
হায়যু হে থৱান্মীচাক!
কুফেৎ কাফেৎ ঙান্দুনা
ঐবু মোমোন নোকহল্লিবা
লৈগনি মতম খূদিং অসুম্না
ৱাশক সিমতং থম্বীযু ইফমদা
ঐগী নুংশিরবা থৱান্মীচাক।

## য়ৌমিন্নসিকো নুংশি পন্থুং

**সাজবম তাহির আলি**

ঙাল্লি নঙগী ৱাখলনা
কোরৌগী মঙাল ওইনা
নীংথিবী থাবলনা ঙানবসু
নঙগী নুংশি ৱাখলননি।
লেপ্পা লৈতবা তাইবঙ খোঙচৎতা
চেন্থরিবা নুংশিগী ঈচেলসে
থৈখিগদ্রা মিপাইজৈ
ঈতাফম য়ৌদ্রিঙৈ
ফোঙলোনে চান্নবী
নঙগী থম্মোয়গী অরেপ্পদো।
নুংশিবগী হাঙলবা লম্পাক্তা
শাগৎচরিবা ৱাখলগী ফূরাসে
ওইহনখিগনুকো মঙলানগী
মঙফাওনবদা মাঙখিবা।
বসন্তসু থুংলরে
মতমগী দোলাই তোংলদুনা
হাপ্পরে ঈনোৎ নুংশিবা থম্মোয় খূদিং
মায়থকপা মালঙনা নপাউবু পুখিগদ্রা
কল্লকপা কনাগী লৌনম ৱাহৈদা
নঙনা মায়কৈ হোংখিগদ্রা
ৱাজরিবসু থম্মোয়না
মসিতনিনে চান্নবী
মসিতনিনে চান্নবী।
উজরে ইমীৎসিনা কয়া কয়া
খঙহৌদ’ নোংলৈ অমদা
কাং-খোং চাইখিবা লৈকোলনা
শক্লম্বা ৱাশক্লা শীংকুপ শানা কায়খিবা
চেল্লম্বা নুংশি ঈচেলসু মীকূপ অমদা কংখিবা।
পাইমিন্নসিকো চান্নবী
মপান নাইদবা অতিয়াদা
লাক্লবসু নোংলৈ নুংশিৎ
য়ৌমিন্নসিকো নুংশি পন্থুং।

## তুল্লিবা নোংশা

**কুঞ্জো নাওরেম**

কয়াম কুইনা তুমখিনি
মঙ অমত্তসু মঙদনা
কল্লবা শাবাও লানবাও
কপ্লিবা তেংথারিবা
অমত্তসু তাদনা
অদুম তূমদুনা লৈরিবা
মঙ অমত্তসু মঙদনা।
লেঙখৎখ্রে কুম্ভকর্ণফাও
শেৎখ্রে শাফি-লানফি
অদুবু নঙদি অদুমক তূমখুন তাল্লি
মঙ অমত্তসু মঙদনা।
ঐখোয়দি মীৎ থূপ্লে
লোক খুরে
কোক ঙাওরে
হূরানবনা পৈশিল্লম্বা অমোৎপা মরকসিদা
মীহাৎপনা তাহল্লম্বা ঈ মরকসিদা
অদুবু নঙদি অদুম তূমদুনা লৈরি
মঙ অমত্তসু মঙদনা।
ৱাকৎলি খঙবিদ্রে
লাউই তাবিদ্রে
লূপখ্রে ৱায়েলশঙ
অহিংসিগী অমম্বা ঈপাক্তা
ৱায়েল মপূ মমিৎ উদ্রে
অদুবু নঙদি অদুম তূমদুনা লৈ
মঙ অমত্তসু মঙদনা।

## চীংশাং নাপোম

**রাজেশ মৈতৈ**

লোইবী চীংগী নাপোমদা
শাথেক লৈনা লৈনা
জগোয় খুথেক তমহৌবী
নুংশি হৈতেকো নঙদি।
চীংমায়গী হৈরাং লৈরাং মরক্তা
শাথেক লৈনা শাথেংহৌবী
নুংঙাইবত ওইযুকো নঙদি।
তম্মমরোই খন্না নুংশিগে খনখি।
কাউবদি ঙমদে নুংশি হৈরুবনা
শেৎনা খায়ননৌ হায়না তমখ্রমাল্লে।
নুংশি হায়বা নত্তনা
করিসু লৈরমদ্রে হাংলবা তাইবংদা।


লাইরিক্কী মফম

# নুমিৎ অমা পুন্সি অমা

## (শৈরেং ইবনা থম্মোয়গী কান্নরবা হিদাক অমনি হায়রিবা কবি)

| | | |
|---|---|---|
| *লাইরিক্কী মমিং* | ঃ | নুমিৎ অমা পুন্সি অমা |
| *অইবী* | ঃ | ইরুংবম দেবেন |
| *লাইরিক্কী মখল* | ঃ | শৈরেং |
| *ফোঙবা চহী* | ঃ | ২০১১ |
| *অফোঙবা* | ঃ | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল |

মশক তাক্লিবা ঃ **সলাম তোম্বা**




কবিগী য়ুম্নাক শাগৈ লৈতে, জাৎ-কুচু খায়দে, চহীসু লৈতে। কবি কদায়বু কৌবগে হংবদি লায়না খুন্নকপা য়াই। অদুবু কবি কনানা ওইগনি হেক হংলবদি পাক্লা খুন্বা য়ারোই। মসিনি লুরিবা। ইংরাজি কবি অমা, আলেকজেন্দর পোপ, মপানা ইঞ্জিনীয়ার ওইহন্নীংদুনা ফূবগা চৈবগা, অদুবু য়াখিদে। ফূনা ফূনা, চেন্না চেন্না মচিন্দিগী শৈরেং অদুম থোক্লকখি পিল্লিবা পোপ্তগী, “পাপা পাপা মর্সি টেক, শেল আই নেভর ভর্সেস মেক।” রাইমগা কোন্ননা মপি তানা শৈরেং মতেক অমা থীরকপদুদগী কান্নররোই খন্দুনা মপানা মাগী অনীংবদু তৌজরসনু থাদোকখি। অদুম্না ঐখোয়গী কবি দেবেন ডাক্তরনি, সাহিত্যগা লাপ্পনা লৈরকপা মীশক্লি। অদুবু শৈরেংগী লাইরিক ৬ শুরে ফোঙলিবা, অদুসু চহী কাংদনা হায়বা য়াই। তরাম্না মাবু ওকফম থোকই। থোমাস কার্লিননা হায়বদুমক্লি। মানা হায়, “শৈরেং ইবগীদমক লাইনা তোঙান্না মী শারক্তে। মী খূদিংমক শৈরেং ইবগী ঈহুল, কবিগী গুণ চেনবা ঙাক্তনি, চাং খেন্নবগী ৱাফমদনি।” মানা মসিমসু হায়, “তাইবঙদা মপুং পুংফা পাবা মী অমতা লৈতে, অদুনা ঐখোয়না মপুং ফাবা (পর্ফেক্ট) কবিগী আশাদি তৌরুবা য়াদ্রে।” খ্বাইদগী লুরিবসি সেন্সিবিলিটিগী ৱাফম্নি। সেন্সিবিলিটি খেন্নবগী মতুং ইন্না কবি ওইরকপনি। সেন্সিবিলিটি খেন্নবগী মতুং ইন্না মখল কয়াগী কবি থোল্লক্লিবনি। ডাক্তর দেবেনগী সেন্সিবিলিটি ঐখোয়গা খেন্নে। মাদি হেক উরিবা পোৎ খুদিংমক শৈরেং ওনহনবা ঙল্লে। সাইন্সকী মিৎয়েংদা শৈরেং ইনবা হোৎনরে। অঙ্কনা শৈরেং ওল্লে। মাগী মিৎয়েংসি মণিপুরী শৈরেংদা তোপ তোপই। করেম্নবা হৈবা কবি ঐখোয়গী লৈজরে, অদুবু দেবেনগী ফাগী পুবা, করেম কথাইনবা মওং অসিমদি ইনৌ নৌই।

শম্না হায়রবদা কবি দেবেন মশাগী মশক অমা তোঙান্না পুরি। মথ্বায় ৱাবনা, কিগনবা মীদুনা চীংদা নুংদাং ময়াম তূমখ্রগা শঙহৌবা অদুনি। কনাসু নুমিদাং গাড়ী থৌদুনা চৎপদা ট্রাফিক লাইটকী মরমদা থোইনা খল্লুদে। অদুবু মাদি হায়, ইরি, “*ট্রাফিক্কী লাইটশিংনা/জগোয় শাই ইমাঙদা/ মফি পূম্বা লৌথোক্তুনা/ চেনশিনখি নুমিৎ থা থৱান্মীচাক/ গলিশিংদা কিরদুনা।*” (*অঙকপা থৌদোক অমা, লা: ১০*) নুংপাক অমা উবদা ঐখোয় করিসু খল্লুদে, অদুবু মঙোন্দদি শৈরেংনি, অদুনা হায়, “*নূং অমনা মশাগী মমিদা/ননশিন্দুনা ফল্লি নীংঙাইদনা/শান্নরি সংসার অসিবু/মতুম তাশিন্দুনা/মমিৎশিং উইশিল্লি/তূমদনা তূম্বা মালহল্লি।*” (নূং, লা: ৪৬) অমুকসু মতমসিগী লৈশাবী পাখঙগী মাঙথরক্লিবা লমচৎপু করেম্নদুনা কবি অসিনা ইরায় লায়না হায়দোকরই ডাক্তর অমা ওইনা, “*রেষ্টুরেন্ট অমগী মনুংদা/চহী মপুং ফাদ্রিবী নুপীমচা অমনা/থোক লাউনা ওথোরকই/অঙাং অমা/ করিবু চারুবনো খঙদে।*” (*ফূদ পোইজনিং, লা: ১৫*) ওন্থোক্লা হৈনা করেম্নখ্রে হায়নীংঙি। মাগী শৈরেং ৬৭ মক করিনো খর হায়নবা হোৎনরি ঐখোয়দা। পাবদা নোক্লিংবা য়াই, অদুবু খন্থদবদি ঙল্লোইদবা ঙাক্তনি। মাগী হান্না ফোঙখিবা লাইরিক, ‘ঐ লাই উরে’ অমদি ‘ঐ শিবগী পাউ’ ময়াম্না নুংঙাইনা পানখিবা ঙাক্তনি। কোন্না ফোঙলকপা ‘কুম্ভকর্ণ’ অমসুং ‘শকহেনবী তারা’ অদুসু তরাম্না ওকখিবা ঙাক্তনি। অয়াম্বা ৱাহৈদা নোকহনবা, মনুংদা কপহনবা শৈরেংনা অয়াম্বনি।

হেন্না ফজরিবদি সাইন্সকী ৱাহৈগা কল্পনাগা তোৎশিল্লকপা অসিনি। মানা হায়, “*নোং মমিৎ ফাক্লিবা অসিনা/ প্লস মাইনস থেংনবা ওইরদি/ রেষ্টুরেন্ট অমগী/ মল্লবা কা অমগী মনুংদা/ নোংলৈ নুংশিৎ শীৎপা নৎত্রগা/নোংনা ফুদ্রিৎ ফূনা চুফম থোকই।*” (*নোংজু, লা: ৭২*) ফাগীনা অচুম্বা ঙাঙবনি। অমুকসু ইম্ফাল সহরগী অমোৎ-অকায় ময়ামসি লক্লবদা অসুম্না হায়রি, “*নোংমা ঐনা ওপরেসন তৌবদা/গাড়ী এক্সিদেন্টতা শোক্লবা/ নুপা অমগী মবুক্তা/ ইম্ফাল সহরগী/কোক ঙাওবখৈ ইয়েৎ য়েৎশিন্নরবা/ সড়ক কয়া উখি।*” (*থীবোঙ থীরিন, লা: ৩০*) রেলমক্তা উরসু মীওইবগী এনাতোমীগা হেক্তা তোৎশিন্নরকই, “*মকক মকক শমজিন্নরি/হীক্তোক্লবা তাংশিং লৌশিন্নরি/ অমগা অমগা য়ান্নদুনা ফানরি। থৱায়গা হকচাংগা ফানরি।*” (*রেলগাড়ীগী অৱাবা, লা: ২৭*) য়ামখ্রে, কবি অসিনা শান্নরিবা ৱাহৈগী লীলা। মী অমনা হেক্তা য়ারোইদবা দেবেনগী ৬শুবা সেন্স অমা য়াওরি। অহুমশুবা কামদেবগী মিৎ অমা য়াওরি। অদুনা মহাক তূম্বা য়াদে, অশোয়বা উবা য়াদে। মাগী শৈরেংগী লাইরেম্বী হেক্তা য়ৌরকই, ইয়ু হায়রৈ। অদুনা মানা হায়জে, “*শৈরেং অমনা লীৎশিল্লকই/ চিনখ্রবসিদা/কূক কূক ইন্নরিবা/মীয়ামগী মরক্তা/ইন্থোক ইন্থোক্তুনা।*” (*শৈরেং অমনা, লা: ৪৩*) মাগী শৈরেংগী মতম লৈতে। মিৎয়েংসু ময়ামগা মান্নদে। থাজমক্তা উরসু মাগী মিৎয়েং তোপই, অদুনা হেক্তা হায়, “*থাজ চৎলি, অসুম চৎলি। যুগ কয়া অসি চত্তুনা লাক্লি।... লৈচিনগী দোলাই তোংদুনা/ নৎত্রগা লৈগী দোলাই তোংদুনা/ নৎত্রগনা অপাইবা কূ তোংলদুনা/ ... পুকচেল লেপ্তবী নুজাগুম/অমুকসু য়ানীংগুম/ অমুকসু কিগুম/ অমুক শাউনা/ অমুকসু নোক্লা।*” (*থাজ চৎলি, লা: ৫*) হেক্তা ৱা অমা ফেঞ্জিল্লকই ময়ামগা মান্নদবা। শেমগেদা হৈবা অহৈবা খূৎনাইবা অমগী মশকনি, দেবেন। অশিবা মীবু কনানা তরাম্না ওক্লবগে, অদুবু কবি অসিদি ওক্লি, “*অশিবা হকচাংগী মনমদি/ আদরগুলাপকী মনম নমই/ অশিবগী নাপ্পদা ফজখ্রবা লৈ নাচোম চিল্লি/ পেন্দ্রবা থৱায়শিংনা/ কপ্লি হকচাংবু কোন্দুনা।*” (*নুংশিবা মনম, নমথীবা মনম, লা: ৭*) পেন্দ্রবা থম্মোয়গী ৱাকৎনি, ৱাহৈনা মচু শঙলুবগী ৱাদনি।

কবি দেবেন মশক খঙবা লুবা অইবনি। মপান্থোংদা ফাগী পুবা ওইরবসু লকানুংদা প্রেম্না থল্লবা ঈপাক্লি। মাগী শৈরেং অমতং য়েংলগা থাজবীগনি। মাগী ‘নুজা অদো’ হায়বা শৈরেং অসিদা কার মনুংদা তোংদুনা চৎখিবী নুজা অমা উবদা মহাক নুজাদু ওইনা উরক্তে, মাগুম চৎচবা ফংদ্রবা, লৈত-লাইরগী মৈনা চাক্লবী, তোল্ল-তারবী কৈথেলগী নুপী ময়ামদুগী মৈচাক ওইনা ফাওরকই, অদুনা মানা শেলহৌই, “*মফম অসিদদি/...তোল্ল-তারবা চরাম চদৎনরবা ময়ামনি/... হিংনা হিংনা মউন খোক্লিবা/ হিংথৎ থৎলিবা/অমোৎপা মরক্তা/নমথী হঙাই মরক্তা/ হাৎপগা হাত্তোকপিবগা/... নঙদি নোক্লিগনি/ খিত্তংদা/ ফজবা মরীক অমতসু তাহন্দনা/ মরীক অমতসু মাঙহন্দনা।*” (*লা: ৪৫*) ফজবা কল্পনানি। অৱাংবা মখলগী। জোর্জ ইলিয়টনা হায়রম্বদুমক্লি, “*কবিদি উবগা, তাবগা, ৱাখলদু ফিল্লিং ওন্থোকপা ঙমগদবনি, অদুগুম্বা ফিল্লিং অদুনা অমুক অনৌবা জ্ঞান ওন্দুনা থোকহল্লক্দবনি।*” কবি দেবেন ওন্থোক্লা ইমোসনেল ওইগনবা কবিনি হায়দবা ঙল্লোই। কৈনোমা উবদা হেক্তা ফিল তৌই। য়েংবীযু অমুক, মহাক্লা রাবন মকোক তরা পাল্লি হায়বসিদা খল্লিবা ৱাখল, ফাওরিবা ফিল্লিং, তোপ তোপই, মকোক ময়ামদু মী ওল্লকই, “*রাবন, নঙগী নকোক তরাদু/ মরিনা ওইদরা, মঙানা য়েত্তরা/... নাকল নাম্মনা লূম্বরা/ মল্লবা গলি অমদগী/ য়েংঙু মখোয় অসে থোক্লক্লে মরী মরী/ হাৎনরিব্রা নুংশিনরিব্রা?*” (*রাবন, লা: ১৬*) ফজবা সেন্সিবিলিটিনি হায়নীংঙি। মতম অসিগী মিহুল পুবা ৱাহৈনি। অমনাঅমবু থাজনরক্ত্রবা মতম অসিদা কবিনা করেম্নরি নোংদা ওইনা, “*নোং নহাক চুদা চুরকউ/ চুরকান্দতা খঙগনি/ নঙগী পুকচেল, নঙগী অরোনবা/*” (*চুদা চুরকউ/চুরগা খঙগনি, লা:৫০*) কনাবু থাজনীংঙাই লৈরিবগে হায়রি। লাইরিক্কী মমিং পুরিবা শৈরেং অসিদি য়াম্না অর্থ লৈখ্রে। মীওইবগী পুন্সি অসি নোংমগী মনুংদা হাপচিল্লি কবিনা। ইংরাজি কবি, জোন কীটসকী ঋতু ৬কা মীওইবগী পুন্সি তাঙ্কক ৬ কা প্রমান তৌবা অদুগুম্বনি। অয়ুক্তা ৱাহংদা হংলম্বা কবি, নুংথিল ওইরকপদা লাক্ল-ফানবা ঙমদবা মী ওল্লকপা, লাইমক্লা মহা পাপীগী মচা হায়না চৈরকপা, মওং তাবা প্রমান্নি। কবিনা হঙ্গৎলকই, লাই নঙবু তশেংনা লৈবরা, নৎত্রগা শাশিন্নবরা? অদুবু নুমিদাংৱাই ওইরকপা মতমদদি ৱাহং হংবা তোক্তুনা তুমিন্না লৈরকই, হিংবা কিরকই, মীবু সুম কিরকই, মশা ফাওবা কিরকই। ফজবা সিমিলিনি হায়নীংঙি চুমখ্রবা।

য়ামখ্রে কবি অসিগী নোক্লা ৱাহৈ, করেম্নবা, অচুম্বনা ফাগী ওন্থোক্তুনা ইবা শৈরেং কয়ানি। অদুবু মফমসিদা লোইনা পাউদম্বদি য়াদ্রে। ফাগীদা নোক্লিংদ্রবদি লোইরে হায়নরিবনি। মদুদি থোক্ত্রে। মশাদি শুকনোম নোক্তনা মীবু নোকহনবা, ৱাখল খলহনবা হৈরে। মোক হিরোইক মখলগী শৈরেং ইবা পকচরগদবা কবিনি। ইংরাজিগী কবি আলেকজেন্দর পোপ, মাগী শৈরেং, “*রেপ ওফ দি লোক*” কৌবা অদুদা ফাওখ্রিবনি। লৈশাবী অমগী মশম খজিক কেরগা থোল্লপদা পাখঙ অমনা ফাগী ওইনা কাটিনা কক্লুবদগী খৎনদুনা শম্বল খানরম্বদু মাগী শৈরেং অসিনা তাইশিন্নহল্লিবনি। দেবেনগী অর্থ লৈবা ৱাহৈ কয়াসি পারুরগা ফাওরকপা ৱাখল অমতংদি মখল খরগী শৈরেংসু খলহলনীংবা ফাওরকই। পর্পোজ, ষ্টাইল, লেঙ্গুএজ অহুম্মক ফজবা। মতুংগী শৈরেং খৌরাংনা ঙাইরি।

হন্দোকপা

# ইন্দোমচা


হিন্দীদা ইবা- গোরাপন্ত শিবানী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

লালকুৱাঁ রেলৱে ষ্টেসন্দগী য়েংখিবদা লাপ্তক্লা মমি শামি উরিবা চীংশাং পরেংদু উবদা মিসেজ বেদীগী মমিৎতু মপি ইরা ঈহৌরকই। কয়াদা নুংশিখ্রবনো অৱাংবা চীংগী চীংদোলশিংসে! মসি উনিংবনা শাংলবা চহী তরামঙা অসি ৱানা খাঙলক্লিবনি। ধক-ধক খোঞ্জেলদা মৈখু ৱাংনা-ৱাংনা কারদুনা রেলগাড়ীদুনা নৈনীতাল অসুম নকশিল্লকপদা মাগী থম্মোয়গী মিহুলদুসু মখোল অসুম-অসুম হৌগৎলকই। কনানা খঙনি, কাকানা নোংমা তৌখিবা অদুগুম্না শম চিংলগা কাদা নমশিল্লবদি। হৌজিক্তি অশাংবা শমগী বেনীদুসু লৈত্রে। ফর্ষ্ট ক্লাসকী ডিববা অদুদা মথন্তনি, হৌনা-হৌনা নোকথোরকই। অমুক খুদাংদা শিরিবা ঘড়ীদুদা মতম য়েংই। ওহ! হলদ্বানী য়ৌরক্লনি- মিংশেল লৌথোক্তুনা মশাগী মশক অমুক য়েংই। লম্বী-লমশাং লাকপগী চোকথবনা মমায়দু তাইফেৎ তাইরে। ফিদরকত কক্লবা শল্লাংদুনা নুংশিৎতা কোইপাই পাইরি। মানা মশমদু ব্রুশনা নাম্থরে, কংলবা মচিন্বালদা লিপষ্টিক তৈশিল্লে অদুগা ফমুংদু লোইশিনবা হৌরকই। মিসেজ মনমোহন বেদী ময়ামদগী খরা তোঙাল্লি। আর্মি ক্লবকী মেজর জেনেরল দামলেনা মাবু “সোফিয়া লোরেন” হায়না কৌই। কুলৈ-কুচুনি অদুবু মমিৎ অনীদুদি পুরা হিগোকনি। মাগী শাংলবা মুরবা লুকথরপ তৌবা পাশিং অদুদনি ময়াম্না মঙোন্দা ঙাওনরিবসি। মাগী কারপ তৌবা চিনবালগী মরক্তগী লংলবা কফোই য়াতাদুনা মাগী ফজবদা অমুক্লা মথোই হাপ্পি। মাগী ফিভমদু খরা শোকচিল্লে অদুনা মাগী ফজবদু খর হন্থহল্লে। লেড়ী ডাক্তর অদুনা মাবু হন্না-হন্না খাম্বনি। “ওন্থোকপনি মিসেজ বেদী, ফিভমসিদা অসুক লাপ্পা চৎকদৌরিবা! য়েকপা হেক হৌরক্লবদি। ফিরোজপুরদগী নৈনিতালদা!” অদুবু মিসেজ বেদীনা চুরুটতু শাংনা চিংদুনা নোকফেৎ তৌরি, নুমিৎতুমক্কী নুমিদাংৱাইরমদা মাগী অচৌবা সুটকেশ অনীদুদা ফিরোল অরৈবমখৈ নমশিল্লদুনা চীংলোমদা লাক্লে।

চৎলমদাইদা মনেম-মকু অমত্তা উন্নরমদে। উন্নরগসু করিবু কান্নদোইবা। মনেম্থোক্লা ব্রিজ শান্নবা ক্লবতা চৎখ্রে অদুগা মকুবোক্লা কদায়দনো অমা কোকটেল পার্টি তৌরমগনি। মাগী নুপা ময়ুমদু অচৌবা মীথুংশঙ অমনি করম্বা মতমদা কনা লাকই, কনা চৎখি করিমত্তা খঙনদে। মরমসিনা মিসেজ বেদীনা মাগী মরিশুবা মচাসি অসিগুম্বা পাপকী মমি অসি তাদনবা ফিভমসিদা চীংদা চেল্লক্লিবনি। নাপল কানা মঙক হাইগৎনা লেপ্লিবা হিমালয়না মাগী পোক্ত্রিবা মচাবু নুংশিনা চুপ্পীসনু, উচাল পাম্বীগী নুংশিবা মনমনা মাগী থম্মোয়বু ঈংহনসনু। কাঠগোদামদগী নৈনীতাল ফাওবা লাকপদা বস মনুংদা ঙাইহাক উইরুরে। অঙাং মচাগী মতৌগুম খূবাক হৌনা হৌনা খূদুনা ঈশৈ শক্লিংলকই। বস অদুদা তোংলিবদু পারসী অমদি বঙ্গালী লমকোয়বশিংনি, মখোয় লোইনমক চীং য়েংনিংবনা ঈৱাং-লাংনরি, অদুবু মিসেজ বেদীদি মতম্বাক্তা মখূৎ থল্লদুনা চীংদোল অমমমবু য়াম্না মুন্না য়েংলি। খোইখোইবা লম্বীনা অমুক-অমুক থেল্লকপদা মাগী পুন্সিগী নীংশিংবগী চেনা অমমম হাংদোল্লক্লি, নৈনীতাল য়ৌরে, মা খংপ্রেক খংই। হোস্পিটালদা পোৎ থল্লগা অদুগা বেরেন্দাদা চৌক্রি অমা চিংথোল্লকগা ফল্লে।

মে থানি, নৈনীতালগী ফজবা থাবগী লোয়বা নাইররোই নুমিদাংৱাইরম ওইশিল্লকপগা লোয়ননা পুখ্রিগী শংবান্নবা লুরবা ঈশিংদা মশীং থিঙমদ্রবা হি মচাশিংনা কোইতাও তাওরক্লে, লোইনা জাতিকূপ্পীগী নুংশিরবা মনম্না মায়কৈ পুন্বা শিল্লক্লে। পুখ্রিদগী শিৎলকপা অঙ্গীংবা নুংশিৎনা য়ৈবদা মাগী অনাবা পুন্বা চেনখ্রবগুম খল্লে। মা অমুক ফাওবা হেক লোকখুদে- মাগী লোক্তু সেনিতোরিয়ম নুংশিৎ অমসুং হিদাক্লা ফহনবা ঙমদ্রবনি। করম্নবু ফগনি, পুক্লিংগী নুংঙাইবা হায়বদুদি মঙোন্দদি কদায়দগী, নুপা অনাবশিংসু মাগী মতুং কোইন ইন্নে, মদুদগী হেন্দোল্লদুনা নহা ওইরিবা ডাক্তরশিংসু ফুরিৎ কুদাম হেক থাদোল্লদুনা মাগী অকোয়বদা খোইমুগুম কোইন ইন্নরৈ। লাল্লিবসি মখোয়দু নত্তে, মাগী অঙকপা চিংশিনবগী মগুণ লৈরবা শক্তম অদুননি। মাগী মীবু শুমহৎনিঙাই ওইরবা শক্তমনা য়ুম থাদোক্তুনা চেলহনখিবনি, মদুমক্লা ঙসিসু মহাক সেনিতোরিয়ম থাদোক্তুনা অমুক চেল্লক্লি। ময়ূমদা চৎলুবদা ব্রিগেডিয়র বেদী য়ূমদা ছুটি থোরক্লম্মী। মানা কোনশিল্লকপদা মিসেজ বেদীবু লাংদা থুরবা শজিগুম ফ্রিং-ফ্রিং চোংলী, মদুদগীদি লেপ্রোসিনা নারবা মীগা কোন্নবনা হেন্না ফৈ। ব্রিগেডিয়র বেদী ফুট তরুক-মখায় ৱাংবা সরদারনি। মমায়দু য়াম্না পাকই, মাগী খাকি মচুগী কোকয়েৎকী লৈরোন অমমমনা নুঙদা হকপগুমই। মাগী অমুবা খদাং অমদি নাতোন শুমাঙগী কোইদু করি তৈবনো খঙদে লংত্রিক লংই। খদাংগী কোইদু সিফাইগী লাইন লেপ্পগুম অমত্তা চোইথোক্তে। ব্রিগেডিয়রগী মায়থোংগী লৈইশিংদুদা তমথিবা অমসুং মীনুংশি য়াওদবগী মমি তারি। হৌখিবা চহী অনীরোমদগী মাবু ঙমখৈদা লৈবা নাগা লালহৌবশিংগী লমদা মখোয়বু নমথনবগীদমক সরকারনা থারি। মাগী মমাংদা চৎখিবা ব্রিগেডিয়র অনীদি নাগাশিংনা মঙক ককখ্রবনি “হন্দক্তি ঐগী পালিনি।” ব্রিগেডিয়রনা মিসেজ বেদীদা হায় অদুবু মা খজিক্তসু নুংঙাইতবা ফাওদে। ব্রিগেডিয়র অসি মাগী মচানুপা অনীগী মপানি, অদুবু মপুরোইববু উরগা মা তুক্কচবা-হঙ্গোইবা ফাওই। মতম অমদা নুপা অসিগীদমক চাবা থকপা, ঈকাইবা পুন্বা কাউথোকখিবনি অদুবু পুন্নমক অদু কর্পুরগী মৈরিদৌনা মাগী নুংশিবগী মৈরীসু পাইখ্রে। বেদী তরেৎনি য়ুমদা লৈরম্মী অদুবু মাগী কাদা তুম্বদি শুপ্নতংগী নোংমতংনি, লেমহৌবা নুমিৎ তরুক অদুদি মানা তোঙান-তোঙানবা নুপী তরুক্তা লেনমিন্নখি মদুদা মাগী চহী তরানিপালদা ঙাইরিবী মীনাইনুপীদুসু য়াওরি। কয়াদা ঈকাই খঙখিদ্রবনো- মা শাওনা ময়া চিক্তুনা খাঙখি। মসিমক মানা মতম অমদা মাগী শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈশিংনা মাগী ৱাখলবু ঙাওহনখিবা বেদীদুমকনি। কাকানা মশম পায়দুনা চিংলগা কাদা থোঙ লোনশিন্দুনা থমখিবনি, হিক-হিক লাউনা কপ্লিবী ইন্দোমচানা অহিং নোংয়াইদা তুমিন্না ছো হাংদুনা মাবু কয়াদা থেমখিবা— “ইবেম্মা, লুহোং-কৈহোংবা হায়বসি ঐগী-ঐগী সমাজদা তৌগদবনি, নঙনা অপাম্বা খনবা য়ারোইকো।” মাবু থেম নৌরম্লগা ইন্দোমচা মাগী কাদা চৎখ্রে, তারাসু তুমখ্রে, অহিংগী পুং অনীদা য়াম্না হৌনা ফনা য়ুমদগী চেল্লকখি। বেদীদু মাগীদমক গ্রান্দ হোটলদা লৈরি। মীগী ৱাখল-বুধি মাংববু মতম কয়াম চঙবগে। মাগা লোয়ননা ফিরোজপুর চৎলে অদুগা হুম্নি শুবা নুমিত্তা য়াম্না চাউনা লুহোংলে। চহী অনীগী মনুংদা মচানুপা অনী পোক্লে, দলজিন্দর অমসুং গজেন্দর সিংহ বেদী। মকু ময়ুমগী মওং মতৌ অদু নিপান্নিশুবা নুমিৎতা ময়েক শেংনা উরক্লে। মকুবোক, মনেমবোক অনীদু য়ু ঙাওদুনা তারি, মনাওনুপী অতোনবীদুনা য়ুমদা লৈবা মুসলমান থবকশুবা অমগা লোয়ননা পাকিস্থানদা চেনখরে। চাউরবা, কোনুংগুম্লবা য়ুমদুদা মশীং থিঙমদ্রবা মীনাইনুপা-নুপী কয়া লৈ অদুবু কনামত্তনা মখোয়বু পান্নদে। উপায় লৈত্রবী মিসেজ বেদীদু শুম্বলদা মকোক থল্লুরে। হৌজিক শুক হাইথরকপদা করিগী অমুক কিরুগনি! মা মাগী ময়ুম য়াম্না নীংশিংলকই, মফমদুদদি মন্দোমচাগী মোইবুং খোঞ্জেলদা মাগী মিকপ হেক-হেক থোল্লকপনি। নুমিদাংৱাইরমদনা মাগী মখুরা রুদ্রদত্তপন্তনা উচ্চারন শেংনা গায়ত্রী মন্ত্র শোনবগী খোঞ্জেলনা নিল্লী। অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মফমসিদদি অয়ুক অঙনবদা হামেংগী নাহেখোলনা পুমনিল নিল্লী। মাগী মকুবোক সরদার দলজিত সিংহদি নুমিৎ খূদিংগী য়াহৌরকপদা হামেংগী অহিংবা থম্মোয় চারবা মতুংদা চা থকই।

মিসেজ বেদীগী মমিং তিলো কৌই, নোংদম্বনা মাগী মখদাংদা অমুবা শমব্রু অমা থুংহনবীরম্মী, মসিদগী ইন্দোমচানা মাবু তিলো হায়না মমিং থোনবীরে। তিলোগী মপাবুংদু কাঠমান্দুদা উ লল্লোনবগী থবক তৌই। কারবারদুনা মাবু চহী অনীখক্তংদা পৈশা পায়বা মী অমা ওইরে। মচানুপী অমত্তং পোকই, মাগী লোয়নবীদু কুমাউনগী য়াম্না নাগনবা লায়না টি বিনা নারে। মানা শিরমদাইদা মচানুপীবু মনাউনুপীগী মফমদা শিন্নরম্মী। ইন্দোমচাগী মচানুপী তারানা মঙোন্দগী শুপ্নতংগী থা অমত্তং হল্লি। ইন্দোমচানা য়াম্না নুংশিনা মখোয় অনীবু চপ মান্ননা য়োল্লকখি। তিলোগী মপাবুং নেপালী নুপী অমা লৌদুনা লৈখরে। থা খুদিংগী মানা তিলোগীদমক লুপা চনী-চনী থারকই। ইন্দোমচানা মদু বেঙ্কতা তুংশিল্লে অদুগা তিলোনা চাউরক্লবদা মাবু অংগ্রেজী স্কুল অমদা মীং চনবীরে। তিলোগী মখুরাদু ফোরেষ্টকী আফিসতা হেদ ক্লার্ক ওই, তারাদি মিডিল হেক পাস তৌবগা ইমুং-মনুংগী থবক ইনখাং তম্বীবা হৌরে অদুবু ইন্দোমচানা লুনা তৌজবী তিলোদি জর্মন লম্বোইবীশিংগী স্কুলদা হিগোক মচুগী ফিজোল শেৎতুনা স্কুল কারি। চহী তরাতরুক শুরক্লদুনা সিনিয়র কেম্ব্রীজ পাস তৌরকপদগীদি ইন্দোমচানা তিলোগীদমক ৱাবা হৌরক্লে।



### নুংশি থৌরি মেংনা উই

নুংশি থৌরি মেংনা উই
থৎকে চিংঙ’ উইবা হেল্লি
থম্মোয় মপাউ ময়াক কল্লি
নুংশি মীৎয়েং নুংদা পাল্লি ।।০।।

নুংশি লাংদ থুর’ কনা
ঙাংবা তারোই চৈবা চৎলোয়
অয়ুক খাইদে নুংথিল লৈতে
নুংশি ৱাখল মরাং হৌই ।।০।।

লৈরাং শাৎলে ৱাখল নৌই
খোইমু পাইরে পুক্লিং লাংঙি
চৎলে চৎনা চোইরোল লোল্লি
ফল্লে ফম্না মঙদা তাউই ।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ নরেন্দ্র নিঙোম্বা

### থিখিসিরা মাবু ঙসিসু

থিখিসিরা মাবু ঙসিসু
ঙাইখিসিরা অসুম্না অসুম
তঙ্খাই চনখ্রবা পুন্সিসিনা ।।০।।
অহোংবা তাইবঙ মীরকসিদা
হোংলম্লদর মাগী পূকচেল,
মথোৎ কারকৈঙগী ৱারীশিং
কাউরম্লদরা নিংঙাইদনা
ওইথোক্লরোইদরা ৱারীদো ।।০।।
কৈদনো ঐনা থিগদবা
কাউবা লৈত’ ৱাখল পুদুনা,
অহিংগী মঙলান নীনিগী হিংবা
অসিরা পুন্সি হায়নরিবা
ওইরদরা ঐবু মৈরানবী ।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ রাজেন্দ্র ওক্রম

## সাহিত্যগী খোঙচৎ

### ইরুংবম দেবেনদা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরী এৱার্দ লান্থোকখ্রে

হুইয়েন লানপাউ গ্রুফ ওফ পব্লিকেসন্সনা লমদমসিগী অইবশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা পীদুনা লাকপা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরী এৱার্দ ২০১৪ ‘*নুমিৎ অমা পুন্সি অমা*’ হায়বা শৈরেং লাইরিক্কী অইবা ডোক্তর ইরুংবম দেবেনদা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসি লান্থোকখ্রে। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লীশিং ১০, সাইটেসন অমা অমসুং লেংয়ান ফি অমা য়াওরি। হৌখিবা জান্যুৱারী ১১গী নুংথিল পুং ১ তাবদা হুইয়েন লানপাউলিটরেরী হোলদা পাঙথোকখিবা মনা লান্থোকপগী থৌরম অদুনা খূৎশিন্নগনি। মনা লান্থোকপগী থৌরম অদুদা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট প্রো. পি নবচন্দ্র অমসুং হুইয়েন লানপাউ কলমনিষ্ঠ ফোরমগী প্রসিদেন্ট বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মানা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকবা অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

### সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচীংগী ৪৭শুবা মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচীংগী ৪৭শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মনাশিং হৌখিবা জান্যুৱারী ১৫দা সমিটি অসিগী নৌনা ককচীং চুম্লাংপাৎতা শাখিবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা সমিটি অসিগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম ধনঞ্জয়না থৌরম মপু অমসুং মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট প্রো. এলাংবম দীনমণিনা অথোইবা লেংবীরকপা ওইখি। শক্লাইরবা দ্রামা ইবা নাওরেম কলিমুহোননা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চন্দ্রশখি লাইশ্রম চুমথাং সহিত্য মনাগী ৱারেংদা ডো. ক্ষেত্রি শান্ত, শৈরেংদা নাওরেম রোমী অমসুং ৱারীমচাদা আর কে নাওরিয়াদা পীখি।